

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SATURDAY, JUNE 16, 2018 **PAGE 7**


*স্পেনিস টেক্স ওঠোরিটিনা চহী ২ ফাদোক তাবা অমসুং য়ুরো মিলিয়ন ১৮.৮ ফাইন থিহনবদা মশানা য়াজখ্রবা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব রিয়েল মাদ্রিদতা শান্নরিবা পোর্টুগালগী কেপ্টেন কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো*

*ইন্দিয়াগী বোলরশিংগী মায়কৈদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা টেষ্ট ক্রিকেটতা ৱিকেট ১০০ লৌদুনা ইন্দিয়াগী বোলরশিংগী মনুংদা ৮শুবা ওইখ্রবা উমেস যাদব*

## উরুগ্বেনা ইজিপ্তপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে ইরাননসু মোরোকোবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে



*মোস্কো, জুন ১৫ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ২১শুবা ইদিসনগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’ গী মেটচ অমদা উরুগ্বেনা ইজিপ্তপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অদুগা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’ গী মেটচ অমদনা ইরাননা মোরোকোবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’গী অনীশুবা মেটচ অদুদা টিম অনীমক য়াম্না কন্না শান্নরবা মতুং উরুগ্বেনা ইজিপ্তপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। টিম অনীমক অহানবা হাল্ফতগী হৌরগা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখি। ঙসিগী শান্নবা অদুদা ইজিপ্তগী ষ্টার প্লেয়র মোহমদ সালা শান্নবা য়াওখিদে।

অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবা এটেকশিং অদু অরেম্বা তান্নদুনা লৈনখ্রবা মতুং হাল্ফ অদু লোইশিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীগী লম্বা য়াম্না মান্নখি। অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা এটেক তৌনখ্রবসু মতম কুইনা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই জোস গেমেনেজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনদুনা ইজিপ্তপু মখোয়না ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা পাঞ্জল অমা শোত্থরবা ইজিপ্তগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনবদা মখোয়গী শান্নরোই অদু নিয়ম লান্না ফাওল তৌরুবগীদমক রেফরিনা য়োল্লো কার্দ পীখি।


শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু ইজিপ্তগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা মতমদসু হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু উরুগ্বেনা ইজিপ্তপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’ গী অহানবা মেটচতা ইরান অমসুং মোরোকো লম্বা তৌনখি।

অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতমদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা তাঞ্জা কয়া ফংনখ্রবসু মখোয়–মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা লৈনখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকখি। মদুদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা ওইখি। অনীশুবা হাল্ফ অদুগী শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নদনা লৈনরুরবা মতুং শান্নবগী অরোইবা মীৎকুপ্তা ইরানগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মোরোকোগী শান্নরোই অজিজ বোহাদোজনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা ইরানগী খুদোল ওইদুনা মেটচ অদু ইরাননা মোরোকোবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। ঙসি অথেংবদা পোর্টুগাল অমসুং স্পেননা গ্রুপ ‘বি’ গী অনীশুবা মেটচতা লম্বা তৌনগনি।



**MATCH ON 16-06-2018**
**Group C**
France vs Australia 3:30pm

**Group D**
Argentina vs Iceland 6:30pm
Peru vs Denmark 9:30pm

## ‘ফিফা ৱার্ল্ড কপ ট্রোফি’ খঙমিন্নসি

### এল. কালা, উরিপোক

মালেমদা শকখঙলবা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ফুটবোল কম্পিটিসন অমা হায়বা তারগদি ১৮৭২ দা পাঙথোকখিবা এফ.এ. কপ হায়না খঙনবসিনি। মসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা ইংলেন্দ অমসুং স্কোটলেন্দনা অচৌবা থৌদাং লৌখি লোয়ননা ইংলেন্দদা পোকখিবা ইবেনেজর কোব মোরলে কৌবা অমনা ফুটবোল মশান্নগী চৎন–পথাপ (লোজ ওফ গেম) ১৮৬৩ দা শেমদুনা চৎনদুনা ফুটবোল শান্নবা নিয়ম অমগী মখাদা শান্নবা হৌরকখি। এফ.এ. কপ অসি পাঙথোকখ্রবা মতুং চহী খরা কান্নরবা মতুংদা ঙসি ঐখোয়না খঙনরিবা ‘ফেদরেসন ইন্টরনেসনেল দি ফুটবোল এসোসিয়েসন (ফিফা) অসি ১৯০৪ দা লিংখৎখিবনি। ফুটবোল মশান্নগী ওইনা মালেমগী লৈবাক কয়াগী অপুনবা অশুপ্পা ওইরিবা ফিফা শেম্লবা মতুং চহী খরা লৈরগা মশান্নসিদা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা অথোই–অহেন তান্নফম ফম্বাক অমা ফিফানা ১৯৩০, উরুগ্বেদা অহানবা ওইনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ জুলস রিমেট ট্রোফি’ লৈবাক ১৩ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা হৌখি। মসিদা সাউথ অমেরিকাদগী লৈবাক ৭, নোর্থ অমেরিকাদগী লৈবাক ২ অমসুং য়ুরোপ্তগী লৈবাক ৪ পুন্না ১৩ অসিনা শরুক য়াদুনা শান্নবদা ফাইনেলদা উরুগ্বেনা আর্জেন্টিনাবু ৪–২ দা থোইদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ট্রোফি অহানবা মপু ওইবা ঙমখি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপকী পুৱারীদা ইহান হানবা গোল চনবা শান্নরোইসি ফ্রান্সকী ফোরৱার্দ শান্নবা লুসৈন লৌরেননা মেক্সিকোগা শান্নবদা অহানবা চনখিবসিনি।

চহী ৪। ৪ লৈরগা পাঙথোকপা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ১৯৪২, ১৯৪৬ মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওনা পাঙথোকপা ঙমখিদে। ফিফাগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৪ ফাওবদা ২০ লক শুখ্রে। ঙসি ফাওবদা ফিফানা শকখঙলবা লৈবাক ২১১ অসিনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০ পাঙথোকখিবসিদা ফাইনেল য়ৌরকখিবা লৈবাকসি শুপ্নতগী লৈবাক ১২ খক্তনি। লৈবাক খরা অমদি হঞ্জিন–হঞ্জিন ফাইনেল য়ৌরকখিবনি অদুগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকখিবসু পুন্না লৈবাক ২৪ খক্তনি কনানা হঞ্জিনবা কনানা হঞ্জিনদবা পীরিবা টেবলসিদগী খঙমিন্নসি।

| পাঙথোক-খিবা চহী | য়ুম্বু লৈবাক মমিং | ফাইনেল | | | | ৩শুবা ১সুং ৪শুবা তাখিবা | | রিমার্ক |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | ৱিন্নর লৈবাক মমিং | চন্নখিবা পাঞ্জল মশীং | রন্নর্স লৈবাক মমিং | অহুমশুবা লৈবাক মমিং | পাঞ্জল মশীং | ৪শুবা লৈবাক | |
| ১৯৩০ | উরুগ্বে | উরুগ্বে | ৪–২ | আর্জেন্টিনা | য়ুএসএ | – | য়ুগোসলাভিয়া | অহুমশুবা মফমসি রেকোর্দকী মতুংইন্না পীবনি এক্সত্রা টাইম (ফাইনেল) |
| ১৯৩৪ | ইটালি | ইটালি | ২–১ | জেকোসলাভাকিয়া | জর্মনি | ৩–২ | ওষ্ট্রিয়া | |
| ১৯৩৮ | ফ্রান্স | ইটালি | ৪–২ | হঙ্গেরি | ব্রাজিল | ৪–২ | স্বিদেন | |
| ১৯৪২ | – | ২শুবা লাঞ্জাওনা মরম ওইদুনা পাঙথোকখিদে | | | | – | – | |
| ১৯৪৬ | – | | | | | – | – | |
| ১৯৫০ | ব্রাজিল | উরুগ্বে | ২–১ | ব্রাজিল | স্বিদেন | – | স্পেন | ৩শুবা রেকোর্দকী মতুংইন্না পীবনি |
| ১৯৫৪ | স্বিজরলেন্দ | জর্মনি | ৩–২ | হঙ্গেরি | ওষ্ট্রিয়া | ৩–১ | উরুগ্বে | |
| ১৯৫৮ | স্বিদেন | ব্রাজিল | ৫–২ | স্বিদেন | ফ্রান্স | ৬–৩ | জর্মনি | |
| ১৯৬২ | চিলি | ব্রাজিল | ৩–১ | জেকোসলাভাকিয়া | চিলি | ১–০ | য়ুগোসলাভিয়া | এক্সত্রা টাইম (ফাইনেল) |
| ১৯৬৬ | ইংলেন্দ | ইংলেন্দ | ৪–২ | জর্মনি | পোর্টুগাল | ২–১ | সোভিয়েট য়ুনিয়ন | |
| ১৯৭০ | মেক্সিকো | ব্রাজিল | ৪–১ | ইটালি | জর্মনি | ১–০ | উরুগ্বে | |
| ১৯৭৪ | জর্মনি | জর্মনি | ২–১ | হোলেন্দ | পোলেন্দ | ১–০ | ব্রাজিল | |
| ১৯৭৮ | আর্জেন্টিনা | আর্জেন্টিনা | ৩–১ | হোলেন্দ | ব্রাজিল | ২–১ | ইটালি | এক্সত্রা টাইম (ফাইনেল) |
| ১৯৮২ | স্পেন | ইটালি | ৩–১ | জর্মনি | পোলেন্দ | ৩–২ | ফ্রান্স | |
| ১৯৮৬ | মেক্সিকো | আর্জেন্টিনা | ৩–২ | জর্মনি | ফ্রান্স | ৪–২ | বেলজিয়ম | |
| ১৯৯০ | ইটালি | জর্মনি | ১–০ | আর্জেন্টিনা | ইটালি | ২–১ | ইংলেন্দ | |
| ১৯৯৪ | য়ুএসএ | ব্রাজিল | ৩–২ | ইটালি | স্বিদেন | ৪–০ | বুলগেরিয়া | কিক ফ্রোম পেনাল্টি (ফাইনেল) |
| ১৯৯৮ | ফ্রান্স | ফ্রান্স | ৩–০ | ব্রাজিল | ক্রোএসিয়া | ২–১ | হোলেন্দ | |
| ২০০২ | সাউথ কোরিয়া ১সুং জপান | ব্রাজিল | ২–০ | জর্মনি | টর্কি | ৩–২ | সাউথ কোরিয়া | |
| ২০০৬ | জর্মনি | ইটালি | ৫–৩ | ফ্রান্স | জর্মনি | ৩–১ | পোর্টুগাল | কিক ফ্রোম পেনাল্টি ফাইনেল |
| ২০১০ | সাউথ অফ্রিকা | স্পেন | ১–০ | হোলেন্দ | জর্মনি | ৩–২ | উরুগ্বে | এক্সত্রা টাইম (ফাইনেল) |
| ২০১৪ | ব্রাজিল | জর্মনি | ১–০ | আর্জেন্টিনা | হোলেন্দ | ৩–০ | ব্রাজিল | |

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০ লক পাঙথোকখিবসিদা মালেমগী লৈবাক ময়ামসিগী মনুংদগী লৈবাক ৪। ৫ খক্লা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ট্রোফি হঞ্জিন–হঞ্জিন মপু ওইদুনা লৈরিবসিনা তাকপদি খনগৎলবা লৈবাকশিংগী অখন্নবা হৈ–শিংলবা শান্নরোইশিং ঙাক্তনা শান্নবা ওইজরবসু হৌজিক–হৌজিক হেন্না খন্ননিংঙাই ওইরক্লিবদি অখন্নবা হৈ–শিংবসিদগী অমুক্কা হেনবা তোপ–তোপ্পা মগুন চেনবা হৈ–শিংবা শান্নরোইশিং মশীং য়াম্না য়াওবা লৈবাক অমা ওইবা তারক্লি। হৌজিক মশান্নসিগী হোংলক্লিবা উরিবা মচৎসিদা ভারতনা করম্না হোৎনদুনা মঙলান অমা ফুং ফাওরক্কুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ য়াওবা ঙম্লক্কদগে হায়বদো মতম ঙাইসি।

## ৱান ওফ টেষ্ট মেটচকী নীনিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা আফঘানিষ্টানবু ইন্নিংস অমগা রন ২৬২ দা মায়থিবা পীখ্রে



*বেঙ্গালুরু, জুন ১৫ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং আফঘানিষ্টানননা শান্নরিবা ৱান ওফ টেষ্ট মেটচকী নীনিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা আফঘানিষ্টানবু ইন্নিংস অমগা রন ২৬২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

পনবা য়াবদি ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী ওপনর সিখর ধৱন অমসুং মুরালি বিজয়গী সেঞ্চুরিনা মপুং ওইদুনা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৩৪৭ লৌদুনা লৈখিবনি। অহানবা নুমিৎকী লোইশিনখিবদা ৭শুবা বেটসমেন হর্দিক পান্দিয়া অমসুং ৮শুবা বেটসমেন রবিচন্দ্রন আস্বিন মথংশিংনা রন ১০ অমসুং ৭ লৌরগা আওট ওইদনা লৈখি।

ঙসি নীনিশুবা নুমিৎকী শান্নরকপদা ইন্দিয়ানা মখা তানা রন ১২৭ হাপচিল্লগা ৱিকেট ১০ তুখিবদগী ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট পুম্নমক তুরগা রন ৪৭৪ দা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙরাং রন ১০ লৌদুনা লৈখিবা হর্দিক পানি দয়া বোল ৯৪ মায়োক্লবদা ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৭১ লৌরমখি। অদুগা রবিচন্দ্রন আস্বিনসু ঙরাং লৌখিবা রন অদুদা মখা তানা রন ১৩ হাপচিল্লগা ২০ লৌরমখি।

অদুগা ১১শুবা বেটসমেন উমেস যাদবসু বোল ২১ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ২৬ লৌরমখি।

আফঘানিষ্টানগী অহানবা ইন্নিংস অদু ফিভম য়াম্না শোকখি। মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু শান্নরকপদা ওভর ২৭ কা বোল ৫ দা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ১০৯ লৌখিবদগী ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংসতা লৌখিবা রন অদুগী তঙ্খায় য়ৌবা ঙমখিদবদগী ফোলো ওন তৌখি।

আফঘানিষ্টানগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা ৭শুবা বেটসমেন মোহমদ নাবিনা বোল ৪৪ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৪ লৌরম্বা অমসুং ১০শুবা বেটসমেন মুজিব উর রহমননা বোল ৯ দা সিক্স অমা অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৫ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন ১৫ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

ইন্দিয়াগী বোলিংগী মায়কৈদা রবিচন্দ্রন আস্বিননা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা আফঘানিষ্টানগী ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোলর ইসান্ট শর্ম্মনা ৱিকেট ২, রবিন্দ্র জাদেজানা ৱিকেট ২ অমসুং উমেস যাদবনা ৱিকেট অমা লৌখি।

আফঘানিষ্টানগী শান্নরোইশিংনা ফোলো ওন তৌদুনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপা অদুদা ওভর ৩৮ গা ৪ শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়ানা ইন্নিংস অমগা রন ২৬২ দা মায়থিবা পীখি।

আফঘানিষ্টানগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু হৌরকপদা য়াম্না ফজখিদে। স্কোর বোর্দতা রন ১৯ লৈরিঙৈদা ওপনর মোহমদ সাহাজাজ রন ১৩ খক লৌরল্লগা আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন হাসমাটুল্লা সাহিদিনা আওট ওইদনা বোল ৮৮ দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৩৬ লৌরম্বা অদুনা আফঘানিষ্টানগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

৬শুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা টিম অসি গী কেপ্টেন অসফর জাজাইনা বোল ৫৮ মায়োক্লবদা সিক্স ১ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৫ লৌরম্বা অদু নত্তনা আফঘানিষ্টানগী বেটসমেন রন ২০ য়ৌবা অমত্তা ঙমখিদে।

অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী বোলিংগী পার্ফোমেন্স য়াম্না ফজখি। রবিন্দ্র জাদেজানা আফঘানিষ্টানগী ৱিকেট ৪ লৌখি। অতোপ্পা বোলর উমেস যাদবদু ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি। ইসান্ট শর্ম্মনা ৱিকেট ২ লৌখি অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোলর রবিচন্দ্রন আস্বিনসু আফঘানিষ্টানগী ৱিকেট ১ লৌখি।

## ইন্দিয়াগী জয়ারাম য়ুএস ওপন বেদমিন্টনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



*ফুল্লরটোন, জুন ১৫ঃ*

য়ুএসএগী কার্লিফোর্নিয়া ষ্টেটকী ফুল্লটোন সিটিদা শান্নখিবা য়ুএস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৮শুবা সিদেদ ব্রাজিলগী দি ওলিভিয়েরাবু গেম ২–১ দা মায়থিবা পীখি।


অহানবা গেম ব্রাজিলগী ওলিভিয়েরানা ইন্দিয়াগী জয়ারামবু ২১–১৯ দা য়াম্না নক্লনা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী জয়ারামনা ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী ২১–১২ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামনা ব্রাজিলগী শান্নরোই অদুবু ২১–১৬ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী ব্রাইস লেভরদেজবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২৩–২১, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্বা সাউথ কোরিয়াগী হিও ক্বাং হিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৪শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী কে ফেটপ্রাদাবনা কানাদাগী জে হো সুবু ২১–১৪, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই থাইলেন্দগী এভিহিংসানোনবু ১৮–২১, ২২–২০, ২১–১৭ দা থোইরম্বা চাইনাগী লু গুৱাংঝুগা লম্বা তৌনরগনি।

য়ুএস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান সিদেদ য়ুএসএগী বৈৱেং ঝাংনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনাগী ঝাং য়িমানবু ২১–১৪, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইংলেন্দগী সি বিরচপু ২১–৯, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্বী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই থাইলেন্দগী পি চোচুৱোংগা শান্নরগনি।

## স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর মার্সিদিজ কপ টেন্নিসকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



*ষ্টুটগার্ট, জুন ১৫ঃ*

জর্মনিগী সিটি ষ্টুটগার্টতা চত্থরিবা য়ুরো ৬৫৬,০১৫ গী শেলগী মনা লৈবা মার্সিদিজ কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা নম্বর ৱান সিদেদ স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেলাবু ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী লুকাস পোলি অমসুং ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই কানাদাগী মিলোস রাউনিক লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সকী লুকাস পোলিনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা উজবেকিষ্টানগী দেনিস ইষ্টোমিনবু ৬–৪, ৬–৭(৫–৭), ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা কানাদাগী মিলোস রাউনিক্লা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী টোমাস বর্দিসপু টাই ব্রেক সেট অনীদা ৭–৬(৭–২), ৭–৬(৭–১) দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী পেয়র পি পেটজস্কর অমসুং টি পুটজনা অহানবা সিদেদ পেয়র পাকিষ্টানগী কুরেসি অমসুং নেদরলেন্দসকী জে জে রোজরবু ৭–৬(৭–২), ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।